## ওজাশিংনা তেংবাঙগনি : এসোসিএসন

ইম্ফাল, মার্চ ১৯ (ঐচ এন এস) :

বোসেমগী প্রোগ্রেম থোকহল্লিংদে, থোকহনদ্রবনা ওজাশিংনা তেংবাঙগনি হায়না ওল মণিপুর গভর্ণমেন্ট হায়র সেকেন্দরি লেকচরর ৱেলফেয়র এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, বোর্ড ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুরগী থবক থৌরম অমত্তা অশোয়বা লৈহৌরিংদবা হায়বসি ওজাশিংগী পান্দমনি। হন্দক চহীগী ইগজাম হৌবা নুমীৎত ইংলিস সবজেক্টকী হান্নগী সেলেবসতা ৱাহং হংবা ক্বেসন পেপর য়েম্থোকপদা অশোয়বা লৈখিবা অসি এসোসিএসনগা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোক্লি। মসি কদায়দগী ওইরক্লিবনো হায়বদু কুপ্পা থিজিল্লগা মরাল লৈবা ওফিসরশিং এক্সন লৌখৎনরিংই। অফবা মহৈরোয় পুথোক্কবা অমসুং লৌশিং তানবা পামজবা নহা খুদিংদা মহৈ তম্বীরিবা ওজা কন্মুনিটিনা মায়দা কারি ফোংদোক্লিবা হোৎনরিবা কনাগুম্বা য়াওরবসু মতুংদা থোক্কনবা হোৎনরক্লিংই।

ইজাগমিনেসনগী লমদা অশোয়বা লৈহন্দবা হায়বসি বোর্ড অমসুং মরী লৈনবা লোয়শঙগী অচৌবা থৌদাংনি হায়বসি কাউরোইদবনি। ওজাগী কন্মুনিটিগী লুচিংবশিংগা বোর্দকা নক্কবা মরী থন্না হায়বসি এসোসিএসনগী পান্দমনি। মসিনা থোকহন্নিংদবা থৌদোক থোকহনদ্রবনা স্থাইদগী অফবা খোঙথাং ওইহন্নিংই হায়নসু ফোঙদোকখি।

## মথৌ মঙম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৯ : থাদৌ ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন জেনরেল হেদকোর্টরসকী টার্ম অহুম্বক সেক্রেটরি জেনরেল ওইরম্বা লৈখিদ্রবা সেজাঙও টি সিংসিট এলিয়াস এস টি সিংসিটকী অরোইবা মথৌ মঙম ঙসি চূড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চঙা লৈবা তুইজাং ভিলেজদা থাদৌ ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন, চূড়াচান্দপুর ব্রাঞ্চনা শীন্দুনা পাঙথোকখি। লৈখিদবগী মথৌ মঙম অদু নাৎকী ওইবা থৌরমগা লোয়ননা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা য়াওনা পাঙথোকখি। লৈখিদ্রবা এস টি সিংসিট অসি থাদৌ সিবিল ওর্গনাইজেসন কয়াগী থবকসু তৌরম্মী। থাদৌ য়ুথ এসোসিএসন অমদি থাদৌ ইন পিগী এগজিক্যুটিব মেম্বর ওইনসু থৌ পুরম্মী হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

## য়ু এন সী চপ চাবা চৈরাক পীগনি...

*লামায় ১গী মখা...*মোদিবু ওইরবসু, চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনবু ওইরবসু অকিবা লৈতনা থেংনগনি। লৈবাক অসিদা জয়সনা হিংলি। ব্লোকেদ হন্দোকপগী লৌখিবা ৱারেপ অমসুং ব্লোকেদ হন্দোকপগী ফিরেপ্পা মহাক পেন্থোকপা ঙমদে। মীয়ামদা পীখিবা চৈথেংশিং অদুগীদমক চপ চানা কোর্টতা থেংননবা শেম-শাদুনা লৈরি।

## য়ু এন সীগী নুমিৎ ১৩৯নি শুরবা...

*লামায় ১গী মখা...*ইকনমিক ব্লোকেদকা মরী লৈননা নাগা লূচিংবশিং অমদি মহৈরোয় লূচিংবশিংগী মথক্তা লৌখৎখিবা কেসশিং ক্লোজ তৌরগনি।

মরিশুবদা, মথংগী ট্রাইপর্টাইট টোক থা ১গী মনুংদা পোলিটিকেল লেবেলদা পাঙথোক্লগনি।

হৌরকফম মরুদা য়াশিন্নবা পুরক্কুনা ৱারোইশিন পুরক্কবা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা লৌখৎলক্লিবা অনৌবা থৌরাং অসিবু য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সীলগী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোকখি।

মীফম অদু লোইরবা তুংদা মণিপুর লৈঙাক্কী এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি ডো. সুরেশবাবুনা পাউমীশিংদা হায়খি, য়ু এন সীনা খুদোংচাদবা অনী মায়োক্নরে হায়বা লৈঙাক্না খঙলে। খুদোংচাদবা অনী অদুদি মমাঙদা মণিপুর লৈঙাক্না য়ু এন সীগা সদর হিলস অমসুং জীরিবাম দিষ্ট্রিক্ট শেম্লোই হায়বগী মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং মরিরক তৌনখিদু থুগাইখিবা অমসুং অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট শেম্বদা নাগাশিং তানখিদবা হায়বসিনি। য়ু এন সীদা থোক্লিবা খুদোংচাদবশিং অদু মণিপুর লৈঙাক্না খঙলে অমসুং হীরমশিং অসিগী মতাংদা কমদৌনা ৱারোইশিন পুরক্কদগে হায়বদু ষ্টেকহোল্ডরশিং য়াওনা মীফম অমা পাঙথোকপদা য়ু এন সীবুসু শরুক য়াহনগনি।

GAS TODAY

ASHANGBI I(NDANE SUGUNU
Booking Upto:11/01/2017
Valid From : 20/12/2016
*Stk:306*
Timing:09:00am -11:00am

K&K INDANE SERVICE
Booking Upto:16/12/2016
Valid From : 30/11/2016
*Stk:306*
Timing:07:30am -11:00am

HIYANGTHANG INDANE
Booking Upto:07/02/2017
Valid From : 02/02/2017
*Stk:306*
Timing:07:00am -10:00am

# বেঙ্কোক্তদি নুপী ২না অচৌবা পেসেঞ্জর বস সার্ভিস তৌই

ইম্ফাল, মার্চ ১৯ (ঐচ এন এস) :

মালেমগী চাউখৎলবা লৈবাকশিংগা চাং মান্ননা চাউখৎ লমজেলদা শরুক য়ারিবা থাইলেনগী কোনুং বেঙ্কোক্তা নুপী অনীনা চাউরবা পেসেঞ্জর বস অমা চলাইহন্দুনা নুপা য়াওদনা নুপী খরদা মীয়ামগী থৌগল তৌহল্লি।

মণিপুরদা পব্লিক ট্রান্সপোর্ট সিষ্টেম মুখৎখ্রবা তুংদা নৌনা অমুক হিঙ্গৎহন্নবা ৱাফম কয়ামরুম ফোঙদোক্লরিঙৈ চৈরকসিদা বেঙ্কোক্তা নুপী খক্তনা বসসু থৌবা, পেসেঞ্জরশিংদা টিকেট পীরগা অতোংমল খোম্বগী থবকসু নুপী খক্তনা তৌরগা নুপা অমত্তা য়াওহন্দনা চলাইবা হৌখ্রে। লৈবাক অদুগী লৈঙাক্তা খুৎশম্ন রগা লন্নাই ফার্ম অমনা চলাইবা ট্রান্সপোর্টর গ্রুপ অমদা মীয়ায় চল্লবী নুপী অমনা পেসেঞ্জর বস অমা থৌরগা লৈরম্বা অদু হন্দক্তা এদিটরস গিল্ড মণিপুরগী মেম্বরশিংনা থেংনরকখিবনি।

অকি-তুজুংবা অমত্তা পোক্তনা অমসুং বস অদুদা তোংলিবা মশীং য়ান্নবা পেসেঞ্জরশিংদা মীপায়বা অমত্তা য়াওদনা মী চিল্লবা সহর অদুদা অপীবা পুংফমগী মনুংদা লমথুংফম য়ৌননবা পেসেঞ্জর বস অদু থৌরগা চৎলি। খোঙজেল য়াঙবা অমসুং তপ্পা হায়বা লৈতনা চপ চাবা মতমদা লমথুংফমদা য়ৌই। অসিগুম্বা মখলগী পেসেঞ্জর বস কয়ামরুম নুপী খক্তনা চলাইবা য়াম্না লৈ হায়না পেসেঞ্জর অমনা ফোঙদোরকখি।

পেসেঞ্জর ওইরিবশিং অদুনা বস অদুদা কাখৎলবা তুংদা অতোংমল লৌরিবী নুপী অমনা পেসেঞ্জর অদুদা টিকেট অমা পী। টিকেট অদু হেক পীবগা পেসেঞ্জর অদুনা অতোংমল অদু খুৎ লাম্থোরকই। কনাগুম্বা অমত্তনা অতোংমল য়াম্মল্লি নৎত্রগা য়ামদে হায়বনচিংবা ৱাকৎ অমত্তা লাকপা উদে। মসিগীসু মথক্তা বস অদুদা তোংলিবা পেসেঞ্জর অমত্তনা অতোংমল পীদবা য়াওদে। ফজরবা ট্রাফিক্কী রুলশিং মীপুম খুদিংমক্তা ঙাক্কা চৎলি। গাড়ী হেনগৎপা নৎত্রগা লাম্থোক লানশিন তৌবদা অকায়বা অমত্তা তৌনদে। মসিনা মরম ওইরগা লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোক থোকপগী চাং শাথিনা হন্থে।

অদুবু মণিপুরদদি ট্রাফিক্কী রুল খঙবা নৎত্রগা খঙদবা হায়বা থীদনা মীওই অয়াম্বনা ট্রাফিক্কী রুল থুগায়। লম্বী ময়াইদা মখোয় মখোয়না পুরকপা গাড়ীশিং পার্ক তৌবদা হঙ্গোইনবা লৈনদে। ৱান ৱে লৈরিবা মফমদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংসু মায়কৈ লান্না থৌজিল্লি। মতিক ময়াই লৈরবা মীওই খরসু ৱান ৱেগী ওন্ন-তৈনবদা থৌজিন্দুনা মরিল-মরাংবা থোকহনবদা নত্তনা মীয়ামদা শাথিবা খুদোংচাদবা মায়োক্ন হল্লি। মণিপুর লৈঙাক্না লম্বীগী ময়াই চবুক ফাওবা পার্কিং শান্দোকই। তোঙান তোঙানবা মখলগী য়ুনিফোর্ম শেৎপা কাঙবুশিংনা পার্কিংগী ফি লৌই। হেলমেট উপ্তুনা গাড়ী মচা থৌবশিং নোংফাদোক চেক তৌরগা ফাবা নত্তনা অয়াম্বা মতমদদি থাদোক্তুনা থম্মী। মসিনা মমল য়াল্লবা মীওইবগী পুন্সি লম্বীগী খুদোংথীবা থৌদোকশিংদা মাঙহল্লি। বেঙ্কোক্কী খুরবা লম্বী অয়াম্বদা মখল মখা কয়াগী গাড়ীশিং পার্ক তৌরগা থম্মী। পার্ক তৌরিবা গাড়ীশিং অদু মফম চানা অতোপ্পা মীওইনা গাড়ী থৌরগা লাকপদা অপনবা থোক্তবা মওংদা গাড়ী খাম্মে। লম্বীদা গাড়ী হোরোন খোংবগী মখোল তাবা ফংদে। পুলিসনসু লৈরক-কোম্সাংদা হায়দোক্তুনা গাড়ী পার্ক তৌবা নৎত্রগা অরানবা মওংদা গাড়ী থৌবশিং চৈরাক পীনবা থবক লৌখৎবগী মথৌ তাদে। মীপুম খুদিংমক লোবু ঈকায়খুম্নে অমসুং লৈঙাক্না শেম্বা রুলশিং ঙাক্না চৎলি।



## ফূদ আউটলেট লোঞ্চ তৌখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ১৯ (ঐচ এন এস) :

দীন দয়াল উপদ্যায় সেন্টর ফোর কাউসালগী লার্নিং কম আর্নিং স্কিমগী মখাদা ধনমঞ্জুরি কম্যুনিটি কোলেজদা ফূদ আউলেট অমা লোঞ্চ তৌখ্রে।

দি দি য়ু কৌসাল কেন্দ্র ধনমঞ্জুরি কম্যুনিটি কোলেজগী দিরেক্টর ডা. এম দি রাহৈজুদ্দিন সৈখনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, লার্নিং কম আর্নিং স্কিমগী মখাদা দিভলপ তৌবা ফূদ আউটলেট অসি থা অসিগী ১৮ দা লোঞ্চ তৌখি। য়েলহৌঙৈদগী লৈরক্লবা চীঞ্জাক অমদি মনা-মশিং কয়াগী ফূদ আউটলেট অসি য়ুনিভর্সিটি গ্রান্ট কম্মিটি নোর্থ ইষ্ট রিজনগী জোইন্ট সেক্রেটরি ডা. মহম্মদ অরিফনা হৌদোকখি। থৌরম অদুদা দি এম কোলেজ ওফ সাইন্সকী প্রিন্সিপাল ডা. পি রনবির, কাউসাল কেন্দ্রগী দিরেক্টর ডা. রহৈজুদ্দিন সৈখ, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী প্রোফেসার এন রাজমোহোন, ডা. এ রাজমনি, ডা. এন নিমাই, নেসনল ইনষ্টিট্যুট ওফ টেক্নোলোজিগী ডা. কে ঐচ মংলেম, ববিনা দাইগ্নোষ্টিক্কী মেনেজিং দিরেক্টর ডা. টি ঐচ ধবলি, দুরদর্শনগী হান্নগী দিরেক্টর এস ইন্দ্রকুমার অমদি ষ্টেট নোদেল ওফিসর ফোর রুসা টি ঐচ ওলিভরসু শরুক য়াখি।

নৌনা দিভলপ তৌবা ফূদ আউটলেট অসিদা য়োংচাককী কেন, শিংজুগী ময়াল, বেম্বু শূট কেনিং, হৈ-রা মখল কয়াসু য়াওরি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## মথং চয়োলদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা সিনিয়র সিটিজনশিংগী রাষ্ট্রিয়া ভায়োশ্রী যোজনা হৌদোক্লগনি

ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৯ : মথং চয়োলদা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা লুপা ক্রোর ৪৭৭ চঙনা পায়খৎকদৌরিবা রাষ্ট্রিয়া ভায়োশ্রী যোজনাগী মখাদা লায়রবগী পনখৈ মখাদা লৈবা সিনিয়র সিটিজনশিংদা হিয়ারিং এইদ অমদি হুইল চিয়ারনচিংবা পোৎলমশিং লেম্না ফংহনগদৌরি।

মার্চ ২৫ দা অন্ধ্র প্রদেশকী নেলোর দিষ্ট্রিক্টতা য়ুনিয়ন সোসল জষ্টিস এন্দ ইন্সপৱারমেন্ট মিনিষ্টর থৱারচান্দ গেহলোদ অমদি ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মিনিষ্টর এম ভেনকয়া নাইদুনা রাষ্ট্রিয়া ভায়োশ্রী যোজনা হৌদোক্কদৌরি।

মার্চ ২৬ তনা মধ্য প্রদেশকী উজেন দিষ্ট্রিক্টতা চপ মান্নবা মওংদা থৌরম অসি হৌদোক্কদৌরি। মিনিষ্ট্রি ওফ সোসল জষ্টিস এন্দ ইন্সপৱারমেন্টকী সিনিয়র ওফিসল অমনা হায়খি, লায়রবগী পনখৈ মখাদা লৈবা সিনিয়র সিটিজনশিংগী পুন্সি মহিং ফগৎহন্নবগী পান্দমদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা অনৌবা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি।

কেম্প খুদিংমক্তা গভর্ণমেন্টনা হিয়ারিং এইদ অমদি হুইল চিয়ারনচিংবা পোৎলম ২০০০ মশক খঙদোক্লবা বিনিফিসরিশিংদা য়েম্থোক্লবা পান্দম থল্লি। চহী অসিগী মনুংদা ষ্টেট খুদিংমক্কী দিষ্ট্রিক্ট অনী অনী খনগৎলগা অসিগুম্বা মখলগী কেম্প পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরি হায়না ওফিসল অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মমাঙ চহীগী দিসেম্বর থাদা সোসল জষ্টিস এন্স ইম্পৱারমেন্ট মিনিষ্টর থৱারচান্দ গেহলোদনা চীফ মিনিষ্টরশিংদা অইবা চেরোল থাদুনা বিনিফিসরিশিং মাঙজৌননা মশক খঙদোক্লবা খঙহনবা লৈখ্রবনি।

স্কিম অসিগী মখাদা য়েম্থোক্কদৌরিবা পোৎলমশিং ব্যুরো ওফ ইন্দিয়ন ষ্টেন্দর্দনা পীবা গাইদলাইনশিং ঙাক্না চৎপা অফবা মখলগী পোৎলম ঙাক্তনি হায়রি।

করম-করম্বা মীওইশিংনা স্কিম অসিগী খুদোংচাবা ফংগদগে হায়বগী মতাংদা রিপোর্ট অমনা হায়খি, মশাগী চহী ৬০ হেল্লবা অমসুং লায়রবগী পনখৈ মখাদা লৈরবা মীওই খুদিংমক খুদোংচাবা অসি ফংগনি।

মরী লৈনবা ওথোরিটিনা লায়রবগী পনখৈ মখাদা লৈরে হায়না পীবা সার্টিফিকেট পায়দবা মীওইশিংদি খুদোংচাবা অসি ফংলোইদৌরি।

সোসল জষ্টিস এন্দ ইম্পৱারমেন্ট মিনিষ্ট্রিগী ওফিসল অমনা হায়খি, অহল ওইরবা অমসুং লায়রবগী পনখৈ মখাদা লৈবা মীওইশিংদা খুদোংচাবা ফংহন্নবগী মতাংদা পায়খৎকদৌরিবা স্কিম অসিগী মমিং *রাষ্ট্রিয়া ভায়োশ্রী যোজনা* হায়না মিংথোল পীনবা প্রাইম মিনিষ্টরস ওফিসনা হন্দক্তা অয়াবা পীরকখি।

স্কিম অসিনা না তাথিবা, উবগী মতিক ময়াই ৱাৎলবা, য়া য়াওদ্রবা অমদি লেঙ-ওৎপা ঙমদ্রবা মীওইশিংদা কান্নবা কয়ামরুম ফংহনবা ঙম্লগনি। বিনিফিসরিশিংনা ৱাকর, হুইল চিয়ার, ট্রাইপোদ হিয়ারিং এইদ অমদি আনোকনচিংবা পোৎলম কয়া লেম্না ফংলগনি হায়না ওফিসল অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

কুমজা ২০১১ গী সেন্সস মতুংইন্না লৈবাক অসিগী সিনিয়র সিটিজন ক্রোর ১০.৩৮ রোম চহী য়ামশিল্লকপগা মরী লৈনবা খুদোংচাদবা মায়োক্নে হায়রি। ওফিসল রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না কুমজা ২০২৬ তা লৈবাক অসিগী অপূনবা সিনিয়র সিটিজনগী মশীং মিলিয়ন ১৭৩ য়ৌরবা য়াই। অহল ওইরবা মীওইশিংদা খুদোংচাবা ফংহন্নবগী পান্দমদা অনৌবা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি হায়রি।

## য়েলহৌ লোনশিং ঙাঙদবা মীওই...

*লামায় ১গী মখা...* মণিপুর লৈঙাক্না ষ্টেট অসিগী য়েলহৌমী অমদি মীতোপ ময়াংশিং হায়বসি কনা কনাবুনো হায়বসি লমদমসিদা য়েলহৌঙৈদগী লৈরক্লবা ফুরুপশিংগী লোনশিংদা য়ুম্ফম ওইদুনা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিনা অরেপ্পা ৱাহন্থোক অমা পীগদবনি। মসিগী অকুপ্পা ৱাহন্থোক অমা পীদ্রিবা ফাওবদি লমদমসিদা য়েলহৌঙৈদগী ঙাঙনদুনা লাক্লবা লোনশিংনা মরোল ওইদবা মীওই অমদি ফুরুপশিংনা মণিপুরগী লৈঙাক্তা এম এল এগী মীহুৎ অমা ওইনা য়াওবা য়ারোই।

অনীশুবদা, মণিপুরগী এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সীশিংদা য়েলহৌমী নত্তবা মীওই অমত্তনা মীখলদা মীরেপ ওইবা য়াহল্লোইদবনি অমসুং মণিপুরগী এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সীশিং অসি য়েলহৌমীশিংগীদমক রিজার্ভ তৌগদবনি।

অহুমশুবদা, মীতোপ ময়াংশিংবু মণিপুর লৈঙাক্তা শরুক য়াদবা হায়বসি ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুয়েন্সীগী মীৎয়েংদা লাল্লি হায়না খল্লবদি মণিপুরনা মশাগী য়েলহৌমীশিং কঞ্জনবগী ফংফম থোকপশিং ফংনবগীদমক ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসন শেমদোক্কদবনি নৎত্রগনা স্পেসল কন্সটিট্যুসনেল প্রোভিজন অমা শেমদুনা মণিপুরীশিংনা মণিপুরীশিংবু কঞ্জবগী অকক্নবা খুদোংচাবা পীগদবনি।

মরিশুবদা, মীতোপকী ইস্যু অসিগী মতাংদা য়েলহৌমীশিংগী মরক্তা মখা তানা মমুৎ তানা খন্ননবগীদমক মণিপুরদা খুন্দারিবা য়েলহৌ ফুরুপশিংগী মহৈরোয়শিংগী অপুনবা মীফম্নেন অমা পাঙথোকপা।

মঙাশুবদা, মীতোপকী ইস্যুগী মতাংদা মমুৎ তানা খন্ননবগীদমক লমদমসিদা লৈরিবা একাদেমিসিয়নশিং, ইন্টলেকচুয়েলশিংগী অপুনবা মীফম অমা পাঙথোকপগা লোয়ননা পোলিটিকেল পার্টি খূদিংমক্কী অপুনবা মীফম অমসু শিনবা হায়বসিনি।

ঙসিগী খন্ন-নৈনবগী থৌরম অদু মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী সেন্টর ফোর ম্যান্মার ষ্টদিজগী দিরেক্টর প্রো. দল্লিয়ু নবকুমারনা মোদরেটর ওইখি। রিসোর্ছ পার্সন ওইনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মণিপুরী দিপার্টমেন্টকী এসিষ্টেন্ট প্রো. এন সনাতোম্বা, অমুকোগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা কে টি রহমন, সোসল এক্টিভিষ্ট মুতুম চুড়ামণি, মীলালগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ বাবুলচান্দ, হেরিকোনগী ফোর্মর জেনরেল সেক্রেটরি ইস্লাম মককময়ুম, সিরকাগী কনভিনর সেমোরেন্দ্রো থোকচোম, এস এস য়ু এমগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি দল্লিয়ু তনোরঞ্জন, দল্লিয়ু এ এস ঈ দি ঈ ভীগী প্রসিদেন্ট আর কে থরাকসনা, ফোরৱার্ল্ড ৱিমন প্লেটফোর্ম মণিপুরগী প্রসিদেন্ট সনাতম্ফা আর কে, সোসল এক্টিভিষ্ট পি সোনামণি, ওল মণিপুর রিকগ্নাইজ প্রাইভেট স্কুল ৱেলফেয়র এসোসিএসনগী এদভাইজর তোম্বা নমোইজম, সেদ্যুল ট্রাইব দিমান্দ কম্মিটিগী ওর্গনাইজিং সেক্রেটরি এস শ্যামকিশ্বর, সেদ্যুল ট্রাইব দিমান্দ কম্মিটিগী এক্টিং প্রসিদেন্ট নোংদালেনখোম্বা মোইরাংথেম, এমসু (হেদকার্টর)গী এক্স-ভাইস প্রসিদেন্ট এম এম রফিনচিংবা কয়াসু শরুক য়াখি।

রিসোর্ছ পার্সনগী ৱারোল পীরদুনা সোসল এক্টিভিষ্ট মুতুম চুড়ামণিনা হায়খি, হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ১১শুবা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী মীখলদা জীরিবামদগী অসব উদ্দিন কৌবা বঙ্গলি মুস্লিম অমা মায় পাক্লকপদা মহাকপু গভর্ণমেন্ট শেম্বদা পার্টি অমত্তনা লৌশিনবীগনু, মাগী ওইবা ফিদা পীবিগনু হায়না দেসামনা লাউরক্লিবসি ঐখোয়গী লাউফম থোকপা, তৌফম থোকপা ইথৌনি।

মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লি ষ্টেট অসিগী চাউখৎ থৌরাংশিং অমসুং অরুবা ইস্যু কয়া খন্নফমনি। ঐখোয়গী ঙমখৈদা শীংনরকপদা নত্তনা মীতোপ মীয়ানচাশিংনা য়োমশিল্লক্কদৌরে হায়বসি ঐখোয় পুম্নমক্না খঙমিন্নগদবনি। হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদা মীতোপ্না ঐখোয়বু য়োমশিল্লকপদগী ঙাকথোক্লবা লো শেম্নবা থবক লৌখৎলকপদা মীতোপশিংদা মীচঙ চঙদবা মওংদা কনানা ৱা ঙাঙগদৌরিনো? জে সী আই এল পি এস অমদি তোঙান তোঙানবা কম্যুনিটিগী ওর্গনাইজেসনশিংনা ঙসি দেসামনা পুথোরক্লিবা টোপিক অসি কম্যুনেল ওই হায়বসি লাল্লি। মসি ঐখোয়না ইশাবু কঞ্জহৌনবগীদমক তঙাইফদবনি।

অমুকোগী প্রসিদেন্টসু ওইরম্বা কে টি রহমননা হায়খি, মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিদা ময়াংদা ফিদা পীবা হায়বসি ঐগী ওইবা মোততদি পামজদে।

এসিষ্টেন্ট প্রো. এন সনাতোম্বনা হায়খি, দেসামনা লৌখৎলক্লিবা থবক অসি মণিপুরদা খুন্দারিবা মীতৈ পাঙলশিংগী য়াইফনবগীদমক্তনি। মীখলদা মায় পাক্লবা অসব উদ্দিননা মহাক মশামক য়েলহৌমীনি হায়না লৌজবা তারগদি নিংথৌ পাল্লিঙৈদগী পীরম্বা মশাগী য়ুম্নাক মীখল মমাঙদা পল্লগা মমিং মথা হায়রম্লগদি দেসামনা শৌগৎলমগনি। দেসাম খক্তা নত্তনা মণিপুরদা লৈরিবা ওর্গনাইজেসন পুম্নমক্না শৌগৎলক্কনি খল্লি। মতমদুদা মীতৈ পাঙল অমনা চাকথুং ফংবদা অকায়বা করিসু লৈতে। মরম অদুনা দেসামনা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসি মীতৈ পাঙলশিংগী চাকথুংদা অয়েৎপা পীবা নত্তে হায়না লৌবীয়ু।

HL-B/3771/20

## দিষ্ট্রিক্ট তরেৎ শেমখিবগী ৱারেপ...

*লামায় ১গী মখা...*মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক য়েংলগা শেমখিবনি। মতম শাংনা দিষ্ট্রিক্ট শেম্বীনবা দিমান্দশিং তান্দুনা লাকখিবা কয়া অমসু য়াওরিবনি। মতম শাংনা তান্দুনা লাক্লবা দিমান্দশিং অদু মরম চাই হায়না খনবগা লোয়ননা মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট কয়া শেমখিবনি। মসি কাঙলুপ অমত্তগী মায়োক্তা চথুখিবসু নত্তে। অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট শেমখিবা অদু হন্দোক্লবা হোৎনরক্লবদি চপ চানা থেংনগনি। শেমখিবা দিষ্ট্রিক্টশিং অদু হন্দোকপা য়ারোই।

ঙসি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট, মণিপুর গভর্ণমেন্ট অমদি য়ু এন সীগী মীহুৎশিংগা ৱারী শানদুনা য়ানবা অমা পুরক্লগা ইকনমিক ব্লোকেদ হন্দোক্নে হায়বসি তরাম্না ওকই। মমাঙদা ষ্টেটসিদা পাল্লম্বা লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু ব্লোকেদ অসি লোইশিন্নবগীদমক ট্রাইপর্টাইট টোক তৌনবা হোৎনদুনা লাকখি। ষ্টেট কেপিটেল নৎত্রগা দিল্লিদা ওইরবসু ৱারী শানসি হায়না হায়খিবা লৈখিবনি। ৱারী শানবা মতমদা দিষ্ট্রিক্ট দিষ্ট্রিক্টতা চৎলগা শানবা হায়বসি ইস্যু কয়া লাকপা মতমদা তোঙান তোঙানবা ওর্গনাইজেসনশিংনসু মাগী মাগী মফম-মফমশিংদা শাননবা হায়রক্লবদি করি ফীভম লাক্কনি হায়বসিসু খন্ননিংঙাই ওই হায়নসু ফোঙদোকখি।

## ইকনমিক ব্লোকেদ হন্দোকহনগনি...

*লামায় ১গী মখা...* অসিনা অহানবা খোঙথাং ওইনা ইকনমিক ব্লোকেদ লোইশিন্নবগী থবক পায়খৎখ্রে। মথংদা চূড়াচান্দপুরদা হৌজিক মীওই ৮ গী অশিবা হকচাং অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোক্তনা লৈরিবা অসিগী মতাংদা মীৎয়েং চঙদুনা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনরগনি। চূড়াচান্দপুরগী ইস্যু অসিগী মতাংদা ৱারী শাননবগীদমক ফিলরনচিংবা থাদুনা য়ানবা লম্বী অমা পুরক্লবা হোৎনরগনি। ইস্যুশিং নীংথিনা ৱারী শানদুনা য়ানবা পুরক্লবা হোৎনবা মথৌ তাই হায়নসু ফোঙদোকখি।

চীফ মিনিষ্টরনা মখা তারদুনা হায়খি, ইম্ফাল-জিরি লম্বী ফত্তবগী মতাংদা মতম শাংনা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লদুনা লাক্লি। লম্বী অসি নীংথিনা থম্নবগী মতাংদা মীৎয়েং চঙগনি। থা অসিগী ২২ দা ইম্ফাল-জিরি লম্বী শেম্বগী ৱার্ক এজেন্সী ওইরিবা কম্পেনিগী ওফিসলশিং অমদি বি আর ওগী মীহুৎশিং য়াওবা মীফম অমা কৌখ্রে। তঙাইফদ্রবদি মিনিষ্টর টিম অমা ইম্ফাল-জিরি লম্বীগী মক্রু অমদি বরাক থোংনচিংবা য়েংশিনবা চৎনবগীদমক শেম-শাগনি।

স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিগী মতাংদসু মীৎয়েং চঙগনি। পার্মিনেন্ট কেম্পস অমা শাদ্রিঙৈগী মাঙওইননা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা সেসন হৌহন্নবগী মতাংদসু সেন্টরদা তকশিনগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

## বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক্কী থাজবগী...

*লামায় ১গী মখা...*অসিগীদমক বি জে পিগী মায়কৈদগী ৱাই খেমচান্দবু মীরেপ ওইনা থাগৎনবা লেপ্পখিবগা লোয়ননা ঙসি মীরেপ চে পীশিনখ্রে। কোংগ্রেস পার্টিগীসু স্পিকরগী ফম অসিগীদমক গোবিন্দাস কোন্থৌজম মীরেপ ওইনবা মীরেপ চে পীশিল্লকখ্রে। হয়েং মণিপুর এসেমব্লী হোলদা স্পিকর খনবগী মীখল পাঙথোক্লগনি। স্পিকর খল্লবা মতুংদা বি জে পিনা লুচিংবা এন বিরেনগী লৈঙাক্কী থাজবগী ভোট এসেমব্লী হাউসতা লৌনরগনি।

তরামাথোইশুবা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লীগী বজেট মীফম থা অসিগী ২১ দগী হৌরগনি। মণিপুরগী গভর্ণর ডা. নজমা এ হেপ্তুলানা এসেমব্লীদা ৱারোল পীবগা লোয়ননা সেসন অসি হৌগনি। নুমীৎ হুম্নী চথুগদবা মীফম অসিদা মথং শেনবা চহী ২০১৭-১৮ গী বজেট ইষ্টিমেট অমদি ভোট ওন একাউন্টসু পুথোক্কনি। হন্দক্কী এসেমব্লী মীফম অসিদা লৈঙাক্কী বিল খরসু পুথোক্লবা য়াই।

CENTRAL EXCISE & SERVICE TAX

এসেসীনা GSTN দা মাইগ্রেসন তৌবা

হৌজিক্কী সী ঈ অমসুং এস টিগী এসেসীনা মাইগ্রেসন তৌবগী ষ্ট্রেটেজি

- জি এস টিদা নিংথীনা হোংবা য়ানবা নশা মীং চল্লু।
- নহাক্কী প্রোভিজনেল আইদি/পাসৱার্দ টেক্স ওফিসরদগী লাক্কনি।
- প্রোফাইল ইনফোর্মেসন অপদেট তৌ অমসুং থেংলবদা দোক্যুমেন্টশিং 31/03/2017 ফাওবগী মনুংদা অপলোদ তৌ।

হংনিংবা লৈরবদি কন্টেক্ট তৌবীয়ু,

**‘জি এস টি এন মাইগ্রেসন সেভাকেন্দ্রা’**

**সি. আর. বিল্ডিং, সার্কিট হাউস রোদ, সিলচর-১ (টেলিফোন নম্বর + 91-3842-237134 / 94350 73975)** দা লৈবা সেন্ট্রেল এক্সাইজ এন্দ সার্ভিস টেক্স দিভিজনেল ওফিসতা ৱার্কিং নুমিৎ খুদিংমক্তা **অয়ুক পুং 11.00 am to 05.00 pm** ফাওবদা।

*নৎত্রগা*

**অহানবা ফ্লোর, কৃষ্ণ সোপ্পিং কমপ্লেক্স (থাঙ্গাল মন্দিরগী মায়োক্লবা), ৱাংখৈ কোংবা রোদ, ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল, মণিপুর (টেলি: নম্বর +91-385-2460943)** দা লৈবা সেন্ট্রেল এক্সাইজ এন্দ সার্ভিস টেক্স রেঞ্জ ওফিসতা ৱার্কিং নুমিৎশিংদা **অয়ুক পুং 11.00** am to **05.00 pm** ফাওবদা।

## বাই-ইলেক্সন্দা মীরেপ ওইগদবশিংগী মিং লাউথোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৯ : দিল্লি, রাজস্থান, অসাম অমদি ৱেষ্ট বেঙ্গোলদা পাঙথোক্কদৌরিবা বাই-ইলেক্সন্দা কোংগ্রেসকী ওইনা মীরেপ ওইগদবা মীওইশিংগী মিং লাউথোকখ্রে।

মিনাক্সি চন্দেলানা দিল্লিগী রাজোরি গার্দেন এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিদা কোংগ্রেসকী মীরেপ ওইরগনি। অসামগী দেমাজি এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিদনা বাবুল সোনোৱালনা পার্টি অসিগী মীরেপ ওইরগনি হায়রি।

ৱেষ্ট বেঙ্গোলগী কান্টি দক্সন এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিদা কোংগ্রেসনা নবকুমার নন্দবু মীরেপ ওইনা থাগৎলি। রাজস্থান ধোলপুর এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিদা পাঙথোক্কদৌরিবা বাই ইলেক্সন্দনা বনৱারিলাল শর্ম্মবু কোংগ্রেসকী মীরেপ ওইহল্লগনি হায়না পার্টি অসিগী নেসনল ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা ফোঙদোকখ্রে।

অমরোমদা, হিমাচল প্রদেশ অমদি কর্নাটকাদা পাঙথোক্কদৌরিবা বাই-ইলেক্সনগী মতাংদসু কোংগ্রেসকী ওইনা মীরেপ ওইগদবা মীওইশিংগী মমিং লাউথোকখ্রে। হিমাচল প্রদেশকী ভোরাঞ্জ কনষ্টিট্যুএন্সিদা প্রেম কৌসালনা কোংগ্রেসকী মীরেপ ওইরগনি। কর্নাটকাগী নঞ্জনগুদ কনষ্টিট্যুএন্সি অমসুং গুন্দলুপেদ কনষ্টিট্যুএন্সিদনা মথংশিংনা কলালে এন কেশবমুর্থি অমসুং এম পি মোহনকুমারীনা পার্টি অসিগী মীরেপ ওইরগনি হায়রি।

অমরোমদা, মথং থাদা বাই-ইলেক্সন পাঙথোক্কদৌরিবা শ্রীনগর লোক সভা কনষ্টিট্যুএন্সিদা মীরেপ ওইগদবা রাষ্ট্রিয়া সমাজৱাদি পার্টি (সেক্যুলর) গী মীরেপ সজদ রসিদনা ঙসি মীরেপ চে পীশিনখ্রে। শ্রীনগরগী বেমিনাদা লৈবা রেসিনা রাষ্ট্রিয়া সমাজৱাদি পার্টি (সেক্যুলর) গী টিকেটতা মীরেপ ওইনবা রিটর্নিং ওফিসরদা মীরেপ চে পীশিনখিবনি হায়না পার্টিগী স্পোক্সমেন অমনা ফোঙদোকখি।

বাই-ইলেক্সন অসিদা মীরেপ ওইনবগীদমক মহাক্না খ্বাইদগী অহানবা ওইনা মীরেপ চে পীশিনখিবনি। লোক সভা কনষ্টিট্যুএন্সি অসিদা এম পি ওইরম্বা তারিক হম্মিদ কারানা ফম থাদোকখিবদগী তঙাইফদনা বাই ইলেক্সন পাঙথোকপগী ফীভম লাকখিবনি।

এপ্রিল ৯ অমসুং এপ্রিল ১২ দা মথংশিংনা শ্রীনগর অমদি অনন্তনাগ পার্লিয়ামেন্টরি কনষ্টিট্যুএন্সিদা বাই ইলেক্সন পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরি। পি দি পিগী মহেবুবা মুফতিনা মেম্বর ওফ পার্লিয়ামেন্টকী ফম থাদোক্তুনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী চীফ মিনিষ্টর ওইখিবদগী অনন্তনাগ লোক সভা কনষ্টিট্যুএন্সিগী সিট হাংদুনা লৈহৌবনি। ইলেক্সন কম্মিসনগী নোটিফিকেসন মতুংইন্না শ্রীনগর কনষ্টিট্যুএন্সিগী ওইনা মীরেপ চে পীশিনবগী অরোইবা নুমীৎ মার্চ ২১ নি। মার্চ ২২ দা মীরেপ চেশিং স্ক্রুটিনি তৌরগা মীরেপ চে লৌথোকপগী অরোইবা নুমীৎনা মার্চ ২৪ দা ওইগনি হায়রি। মীখলসিগা মরী লৈননা লাইসেন্স আর্মর্দ হোল্ডরশিংনা মশা মশাগী নোংমৈ মনাকনকপা পুলিস ষ্টেসনদা থমজিনগদবনি হায়না খঙহনখ্রে।

## চীফ হ্বিপ খনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৯ (ঐচ এন এস): নেসনল পিপলস পার্টি (এন পি পি)গী নৌনা কারকপা ইলেক্টেদ মরি ঙসি প্রোটেম স্পিকর ভী হংখালিয়ননা ৱাশক লৌখ্রবা তুংদা লেজিসলেচর পার্টিগী ওইনা লাংপোক্লাকপম জয়েন্তকুমারবু চীফ হ্বিপ হাপখ্রে। চীফ হ্বিপ হাপ্পগী য়াথং অদু পার্টি অসিগী মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট থাংমিলিয়ন কিপগেননা থোকখি অমসুং প্রোটেম স্পিকরদা এদ্রেস তৌদুনা চেরোল অমা পীশিনখ্রে হায়রি।

## থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

চান্দেল, মার্চ ১৯ (ঐচ এন এস): ওল ট্রাইবেল চীফস অমসুং পব্লিক গ্রিভান্সেস ফোরম চান্দেল দিষ্ট্রিক্টনা ৪১-চান্দেল অমসুং ৪২-তেংনৌপল এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সীদগী মায় পাক্লক্তুনা এম এল এ ওইরবশিংবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি। লূপ অসিগী প্রসিদেন্টনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না এম এল এ লেতপাও হাওকিপ অমসুং দি কোরুংথাং অনীনা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টতা লৈরিবা মীয়ামগী য়াইফনবা থবক তৌরক্কনি হায়বগী থাজবা থল্লক্লি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : থিংবাইজম মনিরোতোন সিংহ, জ্যোতিষ শাস্ত্রী, নাগামপাল পাওনম লৈকায়, ইম্ফাল।

তাং২০-০৩-২০১৭, নিংথৌকাবা, লমতাগী ২২ নি পানবা, অয়ুক্কী পুং ০৮.১৯ দগী ২৩ নি পানবা, যোগিনি মায়কৈদি কৌব্রু, অয়ুক্কী পুং ০৮.১৯ দগী চীংখৈ

**মেষ ঃ** পূক্লিং লাংবা, মথক থোংবদগী খঙহৌদনা কান্নজবা পীরকপা, লম কোয়বা চৎনিংলকপা পীগনি।
লাল্লোল ঃ অরংবা পোৎচৈদা কান্নজগনি।
পাখং-লৈশা ঃ ঈকায় নুংশি য়ানগনি।
হকচাং ঃ উনসা, অপোম অতং লৈগনি।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চিনি অঙৌবা।

**বৃষ ঃ** নুংঙাইনদবা লাকপা, মীনা য়েংশিনবা মুক্নবা লৈগনি, খঙহৌদনা কান্নজবা লাকপগী ফল লৈগনি।
লাল্লোল ঃ চাউখৎকনি, য়েক্নবা য়ামগনি।
পাখং-লৈশা ঃ ৱাখল লৈতাফম খঙলোই।
হকচাং ঃ মীৎ মৈগী শাহুম লৈ।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চিনি অঙাঙবা।

**মিথুন ঃ** ইমুং মনুং শাউনবা লৈগনি, তৌজরুবা থবক্তা মওং চুম্না লাক্কনি।
লাল্লোল ঃ চাউখৎপা, খুৎশু খুৎলায়গী থবক কান্নজগনি।
পাখং-লৈশা ঃ চান্নবা হেনগনি, থাজনগনি।
হকচাং ঃ ঈশিং মরী নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চিনি অঙৌবা।

**কর্কট ঃ** তৌরুবা থবক্তা খরা চাউখৎপা লৈগনি, ৱাখল নুংঙাইগনি, অনৌবা পাউ তাবা লৈগনি।
লাল্লোল ঃ সনা, ফিরোলগী থবক চাউখৎকনি।
পাখং-লৈশা ঃ খনবনা অমা তৌবনা অমা লৈগনি।
হকচাং ঃ খ্বাঙ নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙাঙবা, চিনি অঙাঙবা।

**সিংহ ঃ** ৱাখল মওল মওল খনবা, ইমুংগী ইচা ইনাওগী মরমদা লাংতক্লগনি, শেল চৎপগী মরম লাক্কনি।
লাল্লোল ঃ সনাগী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ অনৌবা ৱাখল পোকহনগনি।
হকচাং ঃ ঈগী মরীদা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং : লৈ হিগোক, চা চন্দন।

**কন্যাঃ** মথক থোংবা নুপীগী কাঙলুপতগী কান্নজবা লৈগনি, মীগা মুক্নবা, মখা থাবা মীনা য়েংথিবা ওইরি।
লাল্লোল ঃ ঈশিং, ফিগী থবক কান্নজগনি।
পাখং-লৈশা ঃ ৱাখল লাংগনি।
হকচাং ঃ শরূদা নুংঙাইতবা লৈগনি।
কোকচনবা পোৎলমশিং : লৈ হিগোক, থোইদিং অমুবা।

**তুলাঃ** শাউনিংবা, লম কোয়নিংবা, খঙহৌদনা ৱাখল ওল্লকপা লৈগনি।
লাল্লোল ঃ ঈশিংগা মরী লৈনবা থবক্তা কান্নজগনি।
পাখং-লৈশা ঃ শাউনবা লৈগনি, তপথবা ফৈ।
হকচাং ঃ পুক্তা নুংঙাইথবা লৈগনি।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ হিগোক, চা চন্দন।

**বৃশ্চিক ঃ** করিসু নত্তবদা শাউনিংবা, অকাউবনা পোৎমাঙ চৈমাঙ পীবা লাক্কনি, পূক্লিং তপথবা ফৈ।
লাল্লোল ঃ হীদাক, অচা অথক্কী পোৎলম কান্নজগনি।
পাখং-লৈশা ঃ মীনা পাউথোকপীবা লৈগনি।
হকচাং ঃ উনসা, ঈশিং মরী নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, ঘী।

**ধনু ঃ** পাউ নুংঙাইবা লৈগনি, মীনা শনমান তৌবীবা নুংশিবীবা ওইগনি, অরাপ্পা লমদা চৎপা লৈ।
লাল্লোল ঃ হীদাক লাংথক, শেলগী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ নুংঙাইবা পাউ লৈগনি।
হকচাং ঃ মীৎতা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, ঘী।

**মকর ঃ** মীগা মুক্নবা, ইমুংদা অনা অয়েক পীরকপা, শেল চৎপগী ফল লৈ।
লাল্লোল ঃ হীদাক লাংথক্কী থবক কান্নজগনি।
পাখং-লৈশা ঃ চান্ন-চিন্নগনি, ৱাখল মান্নগনি।
হকচাং ঃ খোঙদা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ থাউ অহিংবগী মৈরা, লৈ হিগোক।

**কুম্ভ ঃ** ৱাখল নুংঙাইবা, তৌরুবা থবক্তা কান্নজগনি অদুবু তীন্নবগা মুক্নবা লৈগনি।
লাল্লোল ঃ সনা লুপা, ফিরোলগী থবক কান্নজগনি।
পাখং-লৈশা ঃ ৱাখল মান্নগনি।
হকচাং ঃ পুক, খ্বাঙ নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ থাউ অহিংবা, লৈ হিগোক।

**মিন ঃ** মথক থোংবগা মুক্নবা, অকাউবা লাকপা, অরংবা পোৎলম ফংজবা লৈ।
লাল্লোল ঃ লাকপগা চৎপনা হেনগনি।
পাখং-লৈশা ঃ ৱাখল লাংগনি মওল মওল খনবা, নুংনাংবা লৈ।
হকচাং ঃ খৌনাও, কোক্তা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ থোইদিং অঙৌবা, লৈ হিগোক।

কোকচনবা পোৎলমশিং ইশানা নীংবা ঈশ্বরদা কৎপীয়ু।
যোগিনী মায়কৈদা অমসুং য়েৎওইনবা মায়কৈদা যাত্রা তৌবা ফত্তে।